# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩১ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

২) লৈখিদ্রবা মণিপুর বিধান সভা সদস্য বুংজাগিন বালতেগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা রাজ্য অসিনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমি অৱাবা ফোংদোক্কনি।

অমসুং

৩) সরকারনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কেন্দ্রনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

------

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩১ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি অকাশবানি অমসুং দুরদর্সনগী নেটৱার্ক পুমমক, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদা লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোলগী মণিপুরী ৱাহন্থোক মহাকা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী মেরঠকী শতাব্দিনগর নমো ভারত ষ্টেসনদগী মেরঠ মেত্রো অমসুং নমো ভারত রেল গাড়ি লমথাগনি। মহাকা মেরঠ সাউথ ষ্টেসন ফাওবা মেত্রো রেল গাড়ি তোংদুনা চৎকনি। মহাকা মেরঠতা লুপা কোতি লিশিং ১২,৯৩০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনগনি অদুগা খরগীনা শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা মহাকা মীয়ামদসু ৱা ঙাংগনি।

মৌর্নিং (এল)ঃ লৈখিদ্রবা মণিপুর বিধান সভা সদস্য বুংজাগিন বালতেগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা রাজ্য অসিনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ হুমি চুপা অৱাবা ফোংদোক্কনি। নুমিৎ অসিদা রাজ্য পুম্বদা জাতিগী ফিরাল তঙ্খায়দা চিংথগনি। অদুগা সরকারগী ওইবা হৱাউ কুম্মৈ অমত্তা তৌরোই হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ হৌখিবা পুং ২৪ দা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ইম্ফালগী মিনুথোং মনাক্তগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। মহাক অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওহনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েল খোঙবানদগী কে.সি.পি (পি.এস.সি)গী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

য়ান্নচে ঃ ভারত অমসুং ব্রাজিলনা ফারমাসিউতিকেল অমসুং হিদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং পুথোকপদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্ন-ৱারোল অমা ঙরাং সহি তৌনখ্রে। চেরোল অমদা হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রালয়না হায়- য়ান্ন-ৱারোল অদু ভারতকী সেন্ত্রেল ড্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ত্রোল ওর্গনাইজেসন অমসুং ব্রাজিলগী হেলথ রেগুলেটরি এজেন্সি অনিনা সহি তৌনখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুইজ ইনাসিও লুলা দা সিলভা অনিগী

মমাংদা নিউ দিল্লিদা ব্রাজিলদা ভারতকী এম্বেসেদর ওইরিবা দিনেশ ভাতিয়া অমসুং ব্রাজিল্লিয়ান হেলথ রেগুলেটরি এজেন্সি প্রসিদেন্ট লিয়ান্দ্রো সফাতলনা য়ান্ন-ৱারোল অদু খুৎশিন্নখি।

জয়েন্তিভাই ঃ  কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন রাজ্য মন্ত্রি নিমুবেন জয়েন্তিভাই গম্ভানিয়ানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। মন্ত্রিনা হায়- আত্মা নিরভর ভারত অমসুং ভোকেল ফোর লোকেল হায়বা মীৎয়েংগী মখাদা লমদম অসিবু মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মহাকা হায়- কেন্দ্রগী অনৌবা ইদুকেসন পোলিসি অসিনা হোলিষ্টিক অমসুং স্কিলদা য়ুম্ফম ওইবা হিরমশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শিক্ষাগী থৌশিলবু নৌনা শেমদোকবা পান্দম থল্লি।

দিমাপুরগী কুদা খুলদা লৈবা গভর্নমেন্ট মিদল স্কুল অমদা ঙরাং মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা থৌশিল অসিদা মমালোলদা তাকপী তম্বীবা অমসুং অঙাংশিংদা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী স্কিল তাকপী তম্বীবগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

সম্মিৎ ঃ   আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী লমদা মালেমগী ওইনা তেংবাং পীনবগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎ ২০২৬ নিউ দিল্লি য়ান্ন-ৱারোল লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

য়ান্ন-ৱারোল অদু শেল থুম অমদি সমাজিক্কী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক এ.আই শিজিন্ননবা লৈবাক ৮৮ অমদি মালেমগী ওইবা সংস্থানশিংনা মোৎ অমত্তা ওইনা য়ান্নখিবনি। য়ান্ন-ৱারোল অদুদা লৈবাকশিং অদুনা মরুওইবা লম অহুম- পিপল, প্লানেট অমসুং প্রোগ্রেস হায়বসিদা মখা তানা তেংবাং পীনবগী ৱাফমসু য়াওরি।

উপ-রাষ্ট্রপতি ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি তামিলনাদুদা চত্তুনা মদুরাইদা পাঙথোকপা তিরু ভি.ও. চিদম্বরমপিল্লাইগী মুর্তি শানবা যাত্রা হুনবগী থৌরমদা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়াগনি। মদুগী তুংদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা তিরু কোস্তিয়ুর সোমিয়া নরায়ন পেরুমল লাইশঙ অমসুং শিব-গঙ্গাগী রাণি ভেলু নাচিয়ার পেলেসতা চৎকনি।

ইসি ঃ   ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা কেরলা অমসুং ছত্তিসগরগী ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলশিং ফোংখ্রে। মসিগা লোয়ননা রাজ্যশিং অদুগী স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজ (এস.আই.আর)সু লোইশিল্লে।

কেরলাগী ভোতর লিষ্ট অদুদা পুন্না ভোতর কোতি ২ লাখ ৬৯ লিশিং ৫৩,৬৪৪ য়াওরি।

ছত্তিসগরগী ভোতর লিষ্ট অদুদনা পুন্না ভোতর কোতি ১ লাখ ৮৭ লিশিং ৩০,৯১৪ য়াওরি।

অমরোমদা, লাক্লিবা নোংচুপ বঙ্গলা বিধান সভা মীখলদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না পেরা মিলিটরি ফোর্স কম্পনি ৪৮০ শিজিন্নগদৌরি। মসি তাঙ্কক অনি থোকা শিজিন্নগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা মার্চ ১ দগী হৌরগা কম্পনি ২৪০ শিজিন্নগনি অদুগা লেমহৌরিবা কম্পনি ২৪০ অদুনা মার্চ ১০ দা শিজিন্নগনি।

জিতেন্দ্র ঃ   কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা রৱানদাগী আই.সি.টি অমসুং ইনোভেসন মন্ত্রিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- হোংলক্লিবা টেকোলোজি, ইকো সিষ্টেমগী ইনোভেসন অমদি এ.আই. বাইওটেকোলোজি অমসুং ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি য়াওনা নেক্স জেনরেসনগী লম কয়াদা ভারতনা রৱানদাগা মরী হেন্না চেৎশিন্নহন্নবা শেম শাদুনা লৈ।

ডাঃ জিতেন্দ্রনা হায়- ইন্দিয়া-আফ্রিকা ফোরম সম্মিৎ ফ্রেমৱার্ককী মখাদা আফ্রিকাগী লৈবাকশিংগা বিগ্যান অমদি টেকোলোজিগী লমদা তেংবাং পীনবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। লৈবাক অসিনা ঙসিদি মালেমগী ষ্টার্টঅপ ইকো

সিষ্টেমগী লমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেম ওইহনবা ঙমলি হায়না ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা মসিনা শেল থুমগী লমদা ফিভম ফগৎহনবা অমসুং থবক ফংহন্নবগী মরুওইবা পান্বে অমা ওইরি হায়রি।

থৌরম অদুদা রব্বানদাগী মীহুৎ কাংবুনসু ভারতকা এ.আই, হকশেলগী টেকোলোজিশিং, লাইফ সাইন্সেস, ইনর্জি অমসুং ইকো সিষ্টেম ইনোভেসনগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবগী অপান্বা ফোংদোকখি।

ক্রিকেট ঃ ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেটচ অহুমগী টি-তেন্তি ক্রিকেট সেরিজগী ঙরাং এদেলেদতা শান্নখিবা অহুমসুবা অমদি অরোইবা মেটচ ভারতনা রন ১৭ তা থোইদুনা সেরিজ অসি ২-১ দা লৌরে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা থাংলোন কেন্দ্রগী এম.এল.এ- বুংজাগিন বালতে লৈখিদবদা লুচিংবা কয়ানা অব্রাবা ফোংদোকরকপা, মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পাঙথোকখিবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ দিল্লিদা থুংখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংনরি।

বালতে লৈখিদবদা পি.এম য়াওনা অব্রাবা ফোংদোরক্লি, সি.এমনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে, হুমিগী ষ্টেট মোর্নিং লাউথোকখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সি.এম. য়ুমাম খেমচান্দনা লৈখিদ্রবা এম.এল.এ- বুজংগিন বালতেগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে, জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা ষ্টেটনা নুংঙাইতবা উৎকদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেলদসু অহানবা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দ দিল্লিদা থুংখ্রে, ঙসি সেন্ট্রেল লিদরশিং উন্নদুনা কেবিনেট চাউথোকবগী ৱাফম খন্নরবা য়াই হায়না পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

একাদমিক সেসন অসিদগী ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোইশিংনা মখোয়গা সবজেক্টশিং ইমালোলদা তম্বা ফংলগনি হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্তরনেসনেল মাদর লেঙ্গুএজ ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা এম.এস.এফনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ফত্তবা তিনমু লাইমু তান্থোকবা লমতা থাংজ অহানবগী শরোই খাঙখ্রে হায়না পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

কোসেমনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভ একজামগী নমথোক্লবা পাউখুমশিং চাইথোকপা মীওই অহুম ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঙমখৈ ৱাংমদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিং চহি মঙাগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী তান্থোক্কনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------